## হাৎন-শুনবা হন্থহন্নবা ৱারী শান্নখ্রে

কাবুল, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
মতম শাংনা লানগী চৈথেং নংদুনা লাক্লবা অফঘানিষ্টানদা হাৎন-শুনবগী ইরাংশিং হন্থহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগীদমক্তা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিংগী কম্মান্দরনা দোহাদা টালিবানগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে হায়না নাকল অনীমক্কী স্পোক্সমেনশিংনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী লালহৌবা গ্রুপ অসিনা য়ু এস ফোর্সশিংবু হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শীবা লৈরিঙৈদা য়ু এস ফোর্সেসকী কম্মান্দর জেনরেল স্কোট মিলরগা টালিবান লিদরশিংগা ৱারী শান্নখিবনি।

## নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
মেনলেন্দ চাইনাদা মপান্দগী পুশিল্লকপা কোরোনাভাইরস কেসশিংগী মশিং হেনগৎলকপগী ফিভমদা চাইনিজ হেল্থ ওথোরিটিশিংনা থাংজ নুমিত্তা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়গী মতুং ইন্না নৌনা দিটেক্ট তৌখিবা কোরোনাভাইরসকী কেস ৪৬ কী মনুংদা পেসেন্ট ৪২ দি মপান্দগী লাকপশিংনি।

# নেগেটিভ ওইখ্রবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট খরা অমুক হন্না পোজিটিভ ওইরম্বগী কেসশিংদ দব্লিয়ু ঐচ ওনা য়েংশিল্লি



জিনিভা, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট খরা লায়েংবদা ফরক্তুনা লায়না অসিগী চাংয়েংদা নেগেটিভ ওইরে হায়না লাউথোক্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না চথুবা চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বগী কেস খরা য়েংশিল্লি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ফোঙদোকখ্রে।

চাংয়েংদা নোভেল কোরোনাভাইরস পত্ক্রে হায়না লৌনরুরবা পেসেন্ট ৯১ অমুক হন্না চথুবা চাংয়েংদনা পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা অসিগুম্বা কেসশিং য়েংশিনবগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

কোরিয়া সেন্টেরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী দিরেক্টর জি য়োং ইয়ুন-কিয়োংনা মিদিয়া ব্রিফিং অমদা পেসেন্টশিং অদু অমুক হন্না কোরোনাভাইরস পল্লকপগী মহুত্তা ভাইরস অসি অমুক হন্না হিঙ্গৎলক্তুনা মথৌ তৌরকপগী মওং ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

সিওলদগী লাক্লিবা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হংবদা জিনিভাদা বেজ তৌবা দব্লিয়ু ঐচ ওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, পোলিমরেস চেন রিয়েক্সন (পি সী আর) টেষ্টিং শীজিন্নরগা চাংয়েং চথুবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা মীওই খরা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা অমুক হন্না পোজিটিভ ওইরম্বগী রিপোর্টশিং অসি ঐখোয়নসু খঙই। ঐখোয়না ক্লিনিকেল এক্সপার্টশিংগা তান্নরগা অদুগুম্বা ইন্দভিজ্যুএল টেষ্টশিংদুগী মতাংদা অহেনবা ইনফোর্মেসন লৌননবা কন্না হোৎনরি। চাংয়েং তৌনবগীদমক্তা চিংনবা পেসেন্টশিংদগী সেম্পলশিং লৌবদা প্রসিজরশিং নীংথিনা ঙাকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ক্লিনিকেল মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা দব্লিয়ু ঐচ ওগী গাটলাইন্সকী মতুং ইন্না পেসেন্ট অমা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌবা হায়বসি লায়েংবদা ফরে হায়না লৌরবা পেসেন্ট অমা য়ামদ্রবা পুং ২৪ খন্নরগা থংন-থংননা চাংয়েং তৌবদা নেগেটিভ রিজল্ট অনীরক ফংলবা মতুংদা ওইগদবনি।

সাউথ কোরিয়াগী হেল্থ ওফিসলশিংনা ইপিদিওমোলোজিকেল ইভেষ্টিগেসনশিং চথুরিঙৈ মরক্তা হৌজিক থেংনরিবা ফিভম অসি করিনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ অসি অনৌবা লায়না অমা ওইবনা ভাইরস অসিগী মতাংদা অরোয়বা ৱারেপ লৌবদা অহেনবা ইপিদিমিওলোজিকেল দেতা চঙই হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

# অফঘানিষ্টাননা ইস্লামিক ষ্টেটকী খোরাসান চীফ পাকিষ্টান্দা শীন্নৌ য়াখিদ্রে



কাবুল, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপকী এফিলিয়েট অমা ওইরিবা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ খোরাসান প্রোভিন্স (আই এস কে পি)গী লিদর অস্লম ফারুকি শীন্নরক্লবা পাকিষ্টান্না হায়জবদা অফঘানিষ্টান্না য়াখিদ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান ফোরেন ওফিসনা ফারুকিবু শগোলশেল নুমিত্তা অফঘানিষ্টানদা লৈবা পাকিষ্টানগী এনভোইদা শীন্ননবা দিমান্দ তৌখি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুন্না ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানদা অকায়বা কয়া থোকহল্লিবা আই এস কে পিগী এক্তিভিটিশিংগী মতাংদা ইস্লামাবাদনা মতম শাংনা নুংনাংদুনা লাকখি হায়না ফোরেন ওফিসনা ফোঙদোকখি হায়রি।

তৌইগুম্বসুং পাকিষ্টান্না হায়জরক্লিবদু রিজেক্ট তৌরদুনা থাংজ নুমিত্তা অফঘান ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, ফারুকি অসি অফঘান চা কয়া হাৎপদা চেন্নবা মরম্না মহাক লৈবাক অসিগী লোগী মখাদা ৱায়েল চথুগদবনি। মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তারদুনা অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা এক্সট্রাদিসন ট্রিটি লৈতবা মরম্না কাবুলনা আই এস কে পিগী চীফ পাকিষ্টানদা শীন্নদবা য়াদবগী ফিভম অমত্তা লৈতে হায়খি।

# পাকিষ্টানগী প্রোভিন্সশিংদা লৈরিবা এয়রপোর্টশিং হাংদোক্লবা খঙহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
কেপিটেল ইস্লামাবাদতা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লৈহন্দনবগীদমক্তা পাকিষ্টানগী কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা নেসনল কম্মান্দ এন্দ ওপরেসন সেন্টরনা প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টশিংদা মখোয়গী এয়রপোর্টশিং অমুক হন্না হাংদোক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কা মরম ওইদুনা প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টশিংনা মখোয়গী এয়রপোর্টশিং থিংজিন্নখিবদগী মপান্দগী পাকিষ্টানিশিং হোল্লক্লিবা ফ্লাইট খুদিংমক ইস্লামাবাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট (আই এ এ)দা তাশিনখি হায়না দোন ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ুরোপ, য়ু এস অমসুং মিদল ইষ্ট য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী মশিং য়াম্লবা পাকিষ্টানিশিং ময়ুমদা হন্নরকখি। পাকিষ্টানিশিং অদুনা মরৈবাক্তা থুংলদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ফোরেন ওফিসনা কেপিটেলগী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগী চেকশিন-থৌরাং ওইনা পেসেঞ্জরশিং অদুবু ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্ননবা শীন-লাংনবা খঙহনখি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, পেসেঞ্জরশিংগী মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৬০০ থম্বা য়াবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী মশিং ১৪দা হেনগৎলকখি। নুমিৎ খরনিখক্কী মমাংদা কেপিটেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোরেন ওফিসতা চুন্নগদবা বিল্ডিং অয়াম্বা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং ওন্থোক্লে হায়না খঙহনখিবনি। হৌজিক মপান্দগী হল্লক্লিবা পাকিষ্টানিশিং অদু ক্বারন্টিন তৌনবগীদমক অহেনবা মতিক চাবা বিল্ডিংশিং থিবা ফংদ্রে হায়রি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর মোহমদ হমজা সফকাটনা দোন ন্যুজদা হায়খি মদুদি, লৈবাক অদুগী প্রোভিন্সশিংদা লৈরিবা এয়রপোর্টশিং এপ্রিল ১৩ ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না হাংলগনি। এপ্রিল ১০ অমসুং ১২ দা কেপিটেলদা ফ্লাইট অমত্তা থুংগদবা লৈত্রবসু এপ্রিল ১১ দা পেসেঞ্জর ২০০ পুবা ফ্লাইট অহুম থুংলগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা পাকিষ্টানদা কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম তৌরবা কেস ৪,৮৯২ য়ৌখিবগা লোয়ননা শিখিবা মশিংনা ৭৮ য়ৌখ্রে।

# মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মশিং ১০০,০০০ য়ৌরে

লন্দন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
এজেন্সিগী টেলি অমগী মতুং ইন্না নোভেল কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা মীশিশিংগী মশিং ইরাই নুমিত্তা ১০০,০০০ য়ৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী কেস মশিংনা ১.৬ মিলিয়ন হেনখ্রে।

সেন্ট্রেল চাইনিজ সিটি ৱুহানদা হৌখিবা জন্যুৱারিদা ইহান হানবা ওইনা নোভেল কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই অমা শিখি। মদুগী মতুং নুমিৎ ৮৩ নি লৈরগা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং ৫০,০০০ য়ৌখি অমসুং শুপ্নগী নুমিৎ ৮নি লৈরগা মালেমগী ওইনা ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশিং ১০০,০০০ য়ৌখি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা ভাইরস অসিনা শিহনবগী চাং নুংতিগী ওইনা হেনগৎলিবসি চাদা ৬ অমসুং চাদা ১০গী মরক্তনি। শগোলশেল নুমিত্তা মালেমগী ওইনা মীওই ৭৩০০ শিবগী রিপোর্ট তৌখি। ভাইরস অসিনা শিহল্লিবা মী মশিং অসি হৌজিক ১৭ শুবা চহী চাগী ময়াইথংবা শরুক্তা থোকখিবা শাথিরবা লন্দনগী গ্রেট প্লেগকা চাংদম্নরক্লি। মতম অদুদা প্লেগনা মরম ওইদুনা লন্দনদা শিখিবা মী মশিং অসি চাওরাক্লা ১০০,০০০ নি হায়না পান্নখি। মসি মতমদুগী সিটি অসিগী মীশিং অপুম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমারোমনি।



তৌইগুম্বসুং মশিং অসি কুমজা ১৯১৮ দা হৌখিবা স্পেনিস ফ্লু হায়না খঙনখিবা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী মশিংদগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াম্না হন্থরি। কুমজা ১৯২০ দা লেপখিবা স্পেনিস ফ্লুগী লাইচৎ অদুদা মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ২০ হেনবগী পুন্সি লোমখি।

ইটালি, ফ্রান্স, অলজিরিয়া, নেদরলেন্দস, স্পেন অমসুং বৃটেন য়াওনা লৈবাক কয়াগী কোভিদ-১৯গী কনফার্ম তৌরবা কেস অপুম্বগী চাদা ১০ হেন্না মী শি হায়না রিপোর্ট তৌরি। চাইনাগী পেসেন্ট ৪০,০০০দা চথুখিবা লায়না অসিনা মী শিহনবগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টদিশিংগী মনুংদা অমদা লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং চাদা ২.৯ ওইখি। ষ্টদি অদুনা মখা তারদুনা শিরিবা মীশিং অদুগী চাদা ৯৩দি চহী ৫০ হেল্লবশিংনি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী তঙ্খায় অমা হেনবনা চহী ৭০ হেল্লবশিংনি হায়না রিপোর্ট তৌখি।

# ওল্ড দিল্লিদা অনৌবা কোরোনা পোজিটিভ কেস ৫২ থেংনরে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
ওল্ড দিল্লিগী চান্দনি মহল এরিয়াদা কোরোনাভাইরসকী পেসেন্ট ৫২ থেংনরে হায়রি। মফম অসিদা লৈরিবা মোস্ক ১৩ দগী পুন্না জমাটি ১০২ হোন্দোকখ্রবা মতুংদা ফিভম অসি থেংনখিবনি।

জমাটি কয়া অমা নিজামুদ্দিন মর্কজকা মরী লৈনরমখি। মীওই ৫২ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলবা মতুংদা হৌজিক ওথোরিটিশিংনা মীওইশিং অদুগা নকশিন্নরম্বা মীওইশিং থিবগী থবক কন্না চথুরি।

চান্দনি মহল এরিয়াদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মীওই অহুম শিখ্রবনি। হৌখিবা এপ্রিল ৬ তা চান্দনি মহল এরিয়াদা লৈরিবা মোস্ক ১৩ দগী হোন্দোকখিবা মীওইশিং অদু গুলাবিবাদতা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখি। চাংয়েংদা মীওই ৫২ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা এরিয়া অপুম্বদু খুদক্তা সীল তৌশিন্নবা ওর্দর থোকখি। দিল্লিগী হেল্থ মিনিষ্টর সেট্যেন্দর জেননা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা ফোঙদোকখিবদা, দিল্লিদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশিং ৯০৩ য়ৌখ্রে। চান্দনি মহল এরিয়াদা কোরোনাভাইরসনি চিংনবা মীওই কয়া লৈরমখি। দিল্লি গভর্নমেন্টনা মসি খঙলকখিবগা লোয়ননা মখোয় লোয়নমক ক্বারন্টিন তৌদুনা থমখি।

দিল্লিগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা টিম ১০০ নেক্তুনা নিজামুদ্দিন এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিং চাংয়েং তৌবা অমসুং সেনিটাইজেসন তৌবগী থবক পাঙথোকখি। চৈরকসিদা কোরোনাভাইরসকী পেসেন্টশিং লায়েংলিবা দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিংবু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবগীমক্তা দিল্লি গভর্নমেন্টতা সেন্টরনা পি পি ঈ কিট ১৩,৫০০ থাখ্রে হায়রি।

# পোজিটিভ ওইরবা সাউদি ৫ প্রাইভেট হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
দিল্লিগী হোটেল অমদা লৈবা সাউদি অরাবিয়া মচা ৫ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী মখোয় প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখ্রে হায়না ওফিসল অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিল অদুনা হায়খি মদুদি, হোটেলদা লৈরিবা সাউদি মচাশিং অদুদা কোরোনাভাইরসকী লায়ওংশিং থেংনরকপদগী মখোয়গী সেম্পলশিং লৌরগা চাংয়েং তৌহনখি। মখোয়গী রিজল্টশিং লাকখিবগা লোয়না হৌখিবা এপ্রিল ১০ দা মখোয় কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়বসি খঙবা ঙমখি। মদুগী তুংদা মখোয়গী পাউ অসি সাউদি অরাবিয়াগী এম্বেসিদা খঙহনখি।

সাউদি এম্বেসিনা পাউ অসি তারবা মতুংদা মখোয়বু দিল্লিদা লৈবা মেক্স সকেট হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি হায়না দিল্লি গভর্নমেন্টকী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট দি কার্থিকেয়ানন্না হায়খি মদুদি, হোটেলদা লৈবা সাউদি মচাশিং কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌবগী ৱাফম অসি সাউথ দিল্লিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসরদা খঙহনখ্রে। মহাক্কী মতুং ইন্না সাউদি নেসনল মঙা অদু হোটেল হোলিদে ইনদা লৈরম্বনি হায়খি। মহাক্না মরী লৈনবা ওফিসরশিংদা পেসেন্ট মঙা অদু হেল্থ প্রোটোকোনগী মতুং ইন্না চাংনাইনা মোনিটর তৌনবসু খঙহনখি।

দিল্লিদা লৈরিবা অতৈ এম্বেসি অমসুং হায় কম্মিসন কয়ানা মখোয়-মখোয়গী নেসনলশিং মখোয়গী লৈবাকশিংদা প্লেনদা হোন্দোক্নখ্রবনি। ইন্দিয়াদা লৈহৌরিবশিং হেল্থ প্রোটোকোলগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯ কেস চথুরিবনি।

# বাঠঁদে পার্টি তৌরম্বা বি জে পিগী কোর্পোরেটর, অতৈ ৭ দিটেন তৌখ্রে



পানভেল, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
মহারাস্ত্রগী রাইগদ দিষ্ট্রিক্টতা লোকদাওনগী চৎন-পথাপশিং থুগায়রগা বাঠঁদে পার্টি অমদা শরুক য়ারম্বা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেটর অমা অমসুং অতৈ মীওই ১১ দিটেন তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা পানভেলদা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎকী অহিং অথেংবদা থোকখিবনি। দিটেনিশিং অদু লোকেল বি জে পি কোর্পোরেটর অজয় বহিরাগী বঙ্গলোদা পুনখিবনি হায়রি।

পানভেল পুলিস ষ্টেসনগী সিনিয়র ইন্সপেক্টর এ কে লান্দগেনা ফোঙদোকখিবদা, থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস টিম অমনা বঙ্গলো অদুদা রেইদ চথুখি অমসুং বহিরা য়াওনা মীওই ১১ য়ু থক্তুনা পার্টি তৌরম্বদগী ফাখি। মখোয় ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা বুক তৌখ্রে হায়রি।

মতুংদা অতৈনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথুরক্তনবগীদমক্তা লোকেল পোলিটিসিয়নশিংনা কোর্পোরেটরগী ফম সস্পেন্দ তৌবা য়াওনা বহিরাগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎননবা দিমান্দ তৌখি। ৱারদাদগী কারকখি বি জে পিগী লেজিসলেটর দাদারাও ৱাই কেচেনা হৌখিবা এপ্রিল ৫ দা অর্বিদা লৈবা ময়ুমদা মহাক্কী বাঠঁদেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মীওই ২০০ হেন্না তিলহনখিবগী থৌদোক থোকখিবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ ৫খক কান্নরগা খ্বাইদগী নৌবা লোকদাওন থুগায়বগী থৌদোক অসি থোক্লিবনি।

ভাইরেল ওইরবা থৌরম অদুগী ভিদিও অমসুং পিকচরশিংদা লোমেকর অদুগী য়ুমগী মপান্দা নুপা অমসুং নুপী ২০০ হেন্না পুনবগী শক্তম উখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা মহাক্না রিলিফ মেটরেলশিংসু য়েন্থোকপা উখি হায়রি।

ৱারদা দিষ্ট্রিক্টকী ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অদুবু য়াম্না লুনা লৌবগা লোয়ননা কেচেদা নোটিস অমা সর্ভ তৌখি। তৌইগুম্বসুং লেজিসলেটর অসিনা মদু মহাক্কী পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিংনা শীল্লকপা শরৌ লাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

# হোটস্পোট সীল তৌবা চৎলুবা মেজিষ্ট্রেট নুঙনা থারকপদগী শোক্লে



মীরট, এপ্রিল ১১ (এজেন্সি) :
ওফিসল গাইদলাইন্সকী মতুং ইন্না কোরোনাভাইরস হোটস্পোট অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীরট সিটিগী জালিকোথা এরিয়া সীল তৌনবা থাংজ নুমিত্তা চৎখিবা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংগী টিম অমদা মফম অদুগী মীয়াম্না নুঙ থাজিল্লকপদগী টিম অদুবু লুচিংলিবা সিটি মেজিষ্ট্রেট অমা অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

এরিয়া অদুদা লৈরিবা মীওই ৪ কোভিদ-১৯গী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী ওথোরিটিশিংনা মফম অদুবু সীল তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা তাব্লিঘি জমাটকা মরী লৈনবা মীওই অহুম অমসুং সিটি অদুদা লৈরিবা মীওই অমা য়াওনা নেসনল সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা মীওই ৪ বুক তৌখি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মফম অদুদা চৎখিবা সিভিল, হেল্থ অমসুং পুলিসকী ওফিসলশিং য়াওবা টিম অমদা মোব অমনা নুঙনা থাজিল্লকপদগী সিটি মেজিষ্ট্রেট সত্যেন্দ্র সিংহ অশোক-অপন নংখি। সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অজয় কুমার সহিনিনা থৌদোক অদু কনফার্ম তৌখি।

পুলিস দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখিবদা, দারিৱালি মসজিদতগী লৌখৎখিবা তাব্লিঘি জমাটকী খোঙলোয় ৩ য়াওনা মফম অদুগী মীওই ৪ ইরাই নুমিৎকী অহিংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মতুং তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা মফম অদুবু কোরোনাভাইরস হোটস্পোট অমনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মফম অদুবু সীল তৌননবা টিম অদু থাখিবনি।

কোরোনা ৱারিয়র টিমদা নুঙনা থাজিনবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা অহেনবা পুলিস ফোর্স থাজিন্দুনা মফম অদুগী মীওই কয়া ফাখি। কোরোনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৪ অদু হেল্থ ওফিসলশিংদা শীন্নদুনা ক্বারন্টিন তৌহনখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস স্পোক্সপর্সননা ফোঙদোকখি।